# হুইয়েন লানপাউ
# HUEIYEN LANPAO
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses


রাম কৃষ্ণ মিসন বাবুপরা, ইম্ফালনা শীন্দুনা লোক্তাক পাৎকী ফুমশঙ অমদি অকোয়বদা লৈবা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীওই খরা খনগত্তুনা কম্বলশিং য়েন্থোকখিবা



লামায় ৩

উখ্রুল ভিলেজ ওথোরিটি অমসুং ইপসানা খৃৎশম্নদুনা উখ্রুলগী হুনপুংদা খৃষ্টমাসকী থৌরম পাঙথোকমিন্নবগা লোয়ননা খুল অদুগী অহল ওইরবা মীওই ১০ দা কম্বল খুদোল তম্বগী শক্তম



লামায় ৩

ওল মণিপুর ন্যুজপেপর এন্দ ইলেক্ট্রোনিক্স মীদিয়া ইমপ্লোয়িজ এসোসিএসনগী অহানবা জেনরেল বোদি মীফমদা পাউচে অসিগী ঈ অমুবদা থবক ফজনা তৌবগী-দমক খুদোল তম্বা



লামায় ৩

শৈশকপীশিংগী লূপ ওইরিবা লৈমরোলনা ঈশৈ শত্তুনা ফন্দ ড্রাইব তৌবা শেনফমদগী মপূরোইবা লৈখিদ্রবী ১০ দা শেলগী মতেং পীবগী থৌরম মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা



লামায় ৩


Vol. 42, Issue No.275 | থাংজ, পোইনু ২৩ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, December 29, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50



MEDILANE
Medilane Ambulance number
8723004849, 7085244123
7085396969, 7005022100
These AMBULANCE NUMBERS are available 24x7 for emergency and accident.
Free AMBULANCE SERVICE for accident.


## সী এমনা থবক লৌবদা অরানবা তৌরোই হায়খিবা ৱাফম লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংনা ঙাক্লিব্রা?

# মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দতা পরম কায়না কন্ট্রেক্ট ষ্টাফ কয়া পংহাপ্তা হাপ্লব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৭ কী মার্চ ১৫ দা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক হেক শেমখিবগা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্কী থবক লৌবদা অরানবা অমত্তা তৌরোই হায়না লাউথোকখিবা ৱাফম লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংনা ঙাক্ল চৎলিব্রা হায়বসি মীয়ামগী অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লি।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মখাদা ষ্টেট্যুটরি বোদি ওইনা লৈরিবা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ (এম পি সী বি)দা কন্ট্রেক্ট ষ্টাফ কয়া পরম কায়না পংহাপ্তা হাপ্লব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। মতৌ অসিনা লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়রমেন ওইরিবা এম এল এ, এল রাধাকিশ্বরনা চীফ মিনিষ্টরগী





ৱাফমশিং ঙাক্লা চৎলিব্রা অমসুং পরম কায়বা মওংদা কন্ট্রেক্ট ষ্টাফ হাপ্লিবশিং অসি ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারসু খঙনা তৌরিব্রা হায়না মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, কুমজা ২০১৮গী অঙনবা শরুক্তগী হৌজিক ফাওবদা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী কন্ট্রেক্ট ষ্টাফ ৪০ হেন্না হাপখ্রে। হায়রিবা কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিং অসি থেংখাঙ কয়ারক থোক্লা তোঙান-তোঙানবা ওর্দরশিং থোক্লগা হাপখিবনি। কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিং অসি লৌবদা লৈঙাক্কী থবক লৌবগী পরম ঙাকখিবগী মমি তাদে হায়রি।

মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী কন্ট্রেক্ট ষ্টাফ ৪০ হেন্না হাপখি হায়রিবা অসিগী মনুংদা এসিষ্টেন্ট ইনভাইরনমেন্টেল এঞ্জিনীয়র (এ ঈ ঈ), জুনিয়র ইনভাইরনমেন্টেল এঞ্জিনীয়র (জে ঈ ঈ), সিনিয়র সাইন্টিফিক এসিষ্টেন্ট (এস এস এ), এসিষ্টেন্ট লো ওফিসর (এ এল ও), জুনিয়র লো ওফিসর (জে এল ও), ইনভাইরনমেন্টেল সাইন্টিষ্ট (ঈ এন ভি. এস সী.), ফিল্ড ইন্সপেক্টর (এফ আই), এসিষ্টেন্ট ফিল্ড ইন্সপেক্টর (এ এফ আই), এ পি, লেব এসিষ্টেন্ট, স্মোক ইমিসন টেষ্টর, দাটা কলেক্টর অমদি ড্রাইভরনচিংবা তোঙান-তোঙানবা ফমশিং য়াওরি। কন্ট্রেক্ট ষ্টাফ ৪০ রোম অসিগী মনুংদা ষ্টাফ ২৭ কীদি ৱার্ক এলোকেসনসু চহী অসিগী জুন থাদা বোর্দ অসিগী মেম্বর সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরম্বা টি ঐচ জিতেনকুমারনা ওর্দর অমা থোক্লমখি। ওর্দর অসিগী মতুংইন্না হায়রিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## চহী নৌরিবীশিংদা সেক্স্যুএল ক্রাইম চথবশিং শিবগী চৈরাক পীবা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা য়াখ্রে

ন্যু দিল্লি,দিসেম্বর ২৮(এজেন্সী): চহী নৌরিবী নুপীমচাশিংদা সেক্স্যুএল ক্রাইম চথবা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা চৈরাক পীবগী ৱাফম য়ুনিয়ন কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিনেটকী মীফমনা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্সেস (পোক্সো) এক্ট, ২০১২ এমেন্দ তৌরগা মরাল লৈবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

এক্ট অসিগী মতুংইন্না মশাগী চহী ১৮ শুদ্রিবা মীওই খূদিংমক অঙাংনি হায়না লৌগনি। লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা চহী নৌরিবী নুপীমচাশিং ফম্লানবগী থৌওং তোয়না চথরকখ্রবা মতুংদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা পোক্সো এমেন্দ তৌরগা তমথীবা ক্রাইমদা চেন্নবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীনবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি।

চহী অসিগী হৌগৎলকপদা কাতুৱা গেঙরেপ এন্দ মর্দর কেস হায়না খঙনবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কাতুৱাদা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমা ফম্লাল্লবা মতুংদা হাৎতোকপগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর মেনেকা গান্ধীনা পোক্সো এক্ট এমেন্দ তৌনবা ৱাফম পুখৎলকখি।

য়ুনিয়ন লো মিনিষ্টর রবি শঙ্গর প্রসাদনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হায়খি, কা হেন্না তমথীবা সেক্স্যুএল ওফেন্সতা চেন্নবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীনবা ৱাফম সেন্টরনা য়ারে। চহী অসিগী হৌগৎলকপদা মধ্য প্রদেশ গভর্ণমেন্টনসু অঙাংদা সেক্স্যুএল ক্রাইম চথবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীনবা ৱাফম লাউথোকখ্রবনি। বিহার অমদি উত্তর প্রদেশতা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## নুপাদসু চাইল্ড ক্যের লিভ পীরগনি

ন্যু দিল্লি,দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী): সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবা নুপাশিংদসু চাইল্ড ক্যের লিভ (সী সী এল)গী খূদোংচাবা ফংহল্লগনি। দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ ট্রেনিংনা থোকখিবা য়াথং অমগী মতুংইন্না পাখ্রা ওইরবা নৎত্রগা নুপীগা খাইনরবা নুপাশিংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মেদিকেল টেষ্ট

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা কন্সটেবল (মেল/সিভিল) লৌনবগী চাংয়েংদা মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংগী মেদিকেল এগজামিনেসন পাঙথোক্লগনি। ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এ দি এম)গী থৌ পুরিবা ঈ প্রিয়োকুমারনা থোকখিবা নোটিফিকেসন ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

### অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২০.৭০ °C | ৭.০৪ °C |
| চান্দেল | ২৭.২২ °C | ৮.২০ °C |
| সীসীপুর | ২৩.৮৬ °C | ৬.২৭ °C |
| ইম্ফাল | ২৩.৩৪ °C | ৪.৮২ °C |
| সেনাপতি | ২২.৪২ °C | ৪.৯৩ °C |
| তমেংলোং | ২৮.৩৩ °C | ৬.২৯ °C |
| থৌবাল | ২১.২৮ °C | ৬.৮৬ °C |
| উখ্রুল | ২০.২০ °C | ৫.২০ °C |
| মণিপুর | ২৮.৩৩ °C | ৪.৮২ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩৫
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 80.190347 |
| US Dollar | 70.033188 |
| British Pound | 88.803048 |
| Australian Dollar | 49.470181 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.184267 |
| Japanese Yen | 0.634583 |
| Malaysian Ringgit | 16.849327 |
| Australian Dollar | 49.470181 |
| Singapore Dollar | 51.287809 |
| South Korean Won | 0.062698 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.675517 |
| Thai Baht | 2.149294 |
| Myanmar Kyat | 0.04545 |
| Bangladesh Taka | 0.83668 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 32288.77 |
| Mumbai | – | Rs 32791.44 |
| Delhi | – | Rs 32994.65 |
| Kolkata | – | Rs 33347.59 |

### HL POLL

Q : District library sing mamingtagi oina leibagi fibam lakliba ashi state leingakki ashoibani haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Exam khudingmakta aranba maongda mark shemdoklamgani haibagi thajaba leibra?

Yes 74% No 26%

### অস! লোইরেহে!

লৈপাক মীয়ামশা ঐনা নুপীমচা অমা লীন্না চিকপদগী কল্লে...!



সার, মদুবুনি বেতি বচাও হায়রিবদো মনা অমসু ফংবা শোয়দ্রে...!

## বি জে পি তুবা হৌরক্লে, পোলিটিকেলগী অওনবদা মণিপুরসু য়াওহৌসি : ইবোবী





ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): বি জে পিনা ওইদ-পাদবা ঙাংবশিং মীয়াম্না খঙনরকপদগী তুবা হৌরক্লে, ইন্দিয়া পূম্বগী লাক্লিবা পোলিটিকেলগী অওনবা অসিদা মণিপুরসু য়াওহৌসি হায়না

### হান্নগী মিনিষ্টর হেমন্ত য়াওনা কোংগ্রেসতা নৌনা চঙলকখ্রবশিং ওকখ্রে

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ঙসি ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)গী মপোক কুমওন থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি কোংগ্রেস ভবন ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা আই এন সীগী ১৩৩ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখ্রে, নৌনা শাগদবশিং উরেপ-উয়ুং তমখ্রে

# গাফর মীশিদা চেন্নবা পর্সনেলশিং লেম্না থারোই : সী এম

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): লিলোং তময়াইদগী অব্দুল গাফর মীশিদা চেন্নবা সিক্যুরিটি ফোর্সকী পর্সনেলশিং লেম্না থারোই হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লিলোংদা তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাবা অমদি নৌনা শাগদবশিং উরেপ-উয়ুং তম্বগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, এম দি অব্দুল গাফরগী মীশি অসিদা চেন্নবশিং লোগী মখাদা বূক তৌগনি। অসাম রাইফলস ওইগেরা নৎত্রগা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পর্সনেল ওইগেরা লোগী মখাদা থবক লৌখৎকনি।



লিলোং এ সীদা লুপা ক্রোর ১১২ রোমগী শেমগৎ-শাগৎপগী থবক অমদি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### খূদম চাংদমশিং পীশিনবা য়াগনি

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): অব্দুল গাফর মীশিগী ইনক্বারি চথগদৌরিবা অসিদা কনাগুম্বশিংনা ওরেল ইভিদেন্স, মেটরিএল/দোক্যুমেন্টশিং পীনিংবা লৈরগদি দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটতা পীশিনবা য়াগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট থৌবালনা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি।

নোটিফিকেসন অদুনা হায়, লিলোং ...মখা লামায় ৩ কলম ৪


No to Chemical
Yes to Organic
ORGANIC ENSURES YOU
TRUST QUALITY
RELIABILITY ECO-FRIENDLY
ORGANIC MANIPUR
for healthy and sustainable Manipur
MANIPUR ORGANIC MISSION AGENCY (MOMA)
Department of Horticulture & Soil Conservation, Manipur
Department of Agriculture, Manipur
HL-P/2437/14/12/18-14/01/19





অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা, লাইনা অমদি অতেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্বা
Manipur Cab Services
হৌজিক মনিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...
খুদোংচাবা অসি লৌবীনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্ত্রগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোংদুনা চৎপিয়ু
₹ 15 per Km. Normal
₹ 25 per Km. Standard
Picnic, লুহোংবগী অমদি অতৈ থৌরমশিংগী ওইনা অথমনা শেমজনা package লৈজরি
Toll Free Number
1800-345-3838
GET IT ON Google Play
অদোমবু তেক্তা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী পান্দমনি
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.
HL-P/2818/23/12/18-22/01/19



## লৈবাক মীয়ামদা SALAI না খঙহঞ্জবা

লমদম অসিগী নুংশিজরবা Media গী ইচিল-ইনাওশিংনা লৈবাক্কীদমক্তা লৌরিবা থৌদাং অসিবু ৱাখলগী, লৌশিংগী অমদি হৈ-শিংবগী লম্দা হেন্না খুমাং চাওশিন্নবগী অমদি মগুণ লৈবা থৌদাং লৌনবগী পান্দমদা SALAI না SALAI গী মনুং অমদি মপান লৈবাক্তা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী PROGRESS, DEVELOPMENT অমদি STATUS শিং অদু লৈবাক মীয়াম পূন্না খঙমিন্নহৌনবগী পান্দমদা নোল্লুক্লা হংগৎচরবা মতুংদা লোয়নজবা খক্তনি। মসিদা SALAI খক্কী ওইজবা থিবা অমদি করবারগী মীৎয়েংদা চৎচবা নত্তে। মতাং অসিদা করিগুম্বা তান্ননিংবা অমদি খন্ননিংবা লৈরবসু SALAI না মদুগী তাঞ্জা অদু থমজবগা লোয়ননা থোঙ লাউনা হাংদুনা থমজরি।

হন্দক্কী CZECH REPUBLIC কী খোঙচৎ অদু SALAI খক্কী নত্তনা ইরৈবাক ইরমদম অসিগী শেন্মীৎলোনদা অমদি ৱাখল লৌশিংগী, পাঙ্গলগী লোয়ননা হৈ-শিংবগী লম্দা খুন্নাই অসিনা থেংনরিবা অমদি মায়োক্নরিবা চৈথেংশিং অসিবু মরূ ফংনা কোকহন্নবগী পান্দমদা চৎখিবা খোঙচৎ অমনি।

লাইবক ফবদগী হন্দক্কী CZECH REPUBLIC কী খোঙচৎ অদুদা শোখরবা ইরমদম অসিগী শেন্মীৎলোন খরদং ওইরবসু ফগৎনবগীদমক SALAI গী মায়কৈদগী হায়জরুবদা তাবীদুনা CZECH কী খ্বাইদগী চাওবা CSOB না অচৌবা শেনফম অমা LOAN ওইনা পীবীনবগী অয়াবা অদু অইবা ওইনা পীবীরকপা অসিনি।

মতাং অসিদা থমজনিংলিবা ৱাফমদি SALAI না লৌজরিবা থৌদাং অসিনা সমাজদা, লৈবাক অসিদা অমদি কনাগুম্বা ORGANISATION অমত্তদা অকায়বা নৎত্রগা কায়রক্কদবা লৈরবদি SALAI গী পান্দম ওইনা চাওখৎপা ইরৈবাক ইরমদম অমা পুরক্লবগী চহী ২০ গী কখোকপগী খোঙচৎ অসি লেপ্পবগী ফিরেপ ফাওবা লৌরত্তুনা কনাগুম্বা ORGANISATION না য়েংলিবা মীৎয়েং অসিগী চপ চাবা পাউখুম ওইবসু য়াই। মখা তানা SALAI না মীয়ামদা থমজনিংবদি SALAI অসি কনাগুম্বা অমদি করিগুম্বা পোৎশক, ORGANISATION নৎত্রগা সরকারগী REMOTE CONTROL গী DEVICE অমা নত্তে হায়বসি লৈবাক মীয়ামদা খঙহনজনিংই, তৌবতবু SALAI দি পোকখায়দ্রিবা অমসুং শুংদোক্ত্রিবা মণি-মুক্তাগী মতম ঙাইদুনা লৈরিবা মৈগী চীং অদুনি। SALAI না লৈবাক মীয়াম্বু মতম পূম্নমক্তা ইকোক নোন্না খুরুমজরি লোয়ননা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তা SALAI গী লালোইশিংগী ঙক অসি তুংগী মীরোলগীদমক কখোকচরবনি।

নোল্লুকচরিবা
SALAI HOLDINGS PRIVATE LIMITED
SAGOLBAND TERA LOUKRAKPAM LEIKAI,
IMPHAL WEST, MANIPUR
HL-P/5879/29



ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫